# রারী মচা

## হাংদোকউ

### সদত মন্টো হমন

অখন্নবা রেলগারীদু অমৃতসরদগী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ২ দগী থারকপদুনা নুমিদাংগী পুং ৮ দা মুগলপারাদা থুংলম্মি। খোঙচত্তুদা মী কয়া হাৎখি, কয়ামনা অশোক–অপন নংলম্মী অদুগা কয়ামনা থিবা খঙনরমদে।

অয়ুক্কী পুং ১০ তাবা মতমদা সিরাজদিন্না কেম্প অদুগী ঈংখ্রবা লৈমায়দুদা মীৎকপ থোরকপদা মায়কৈ খুদিং মশিং থিঙমদ্রবা নুপা,নুপী, অঙাং ময়াম্না ইরাং লাংনরম্বদু উরক্লম্মি। মাগী ব্রাখল অমসুং হকচাংগী ইন্দ্রিশিংগী পাঙ্গল অমুক্কা হেন্না শোন্থরকপগুম তৌই। মচু থোক্ত্রবা অতিয়াদা ফন–কুইনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈ। কেম্প অদুদা মীয়াম্না চৎথোক–চৎশিন তৌনরিবা, লাঙনরিবা খুদিং সিরাজদিন পূন্নমক উদ–তাদবগুম্মি। কনাগুম্বনদি ব্রাখলনা উংদুনা লৈরিবগুম খনগনি। মদুসু জ্ঞান মাংবনি। ইতাও তাওনা লৈবনি।

মচু থোক্ত্রবা অতিয়াদা য়েংলম্বদগী সিরাজদিন, খঙহৌদনা নুমিৎকী মঙাল উরকই। য়াক্লবা মঙালদুনা মাগী উনশাগী তুখোঙশিংদা য়েরকই। অদুদগী অমুক মীৎকপ থোরকই। থৌদোকশিং মথং–মথং মাগী ব্রাখলদা মমি তারকই – লূট তৌবা, মৈ থাবা, চেন্নবা ... ষ্টেসন, নোংমৈ কাপ্পা ... অহিং অদুদগী সাকিনা ...। সিরাজদিন খঙহৌদনা হৌগৎলকই। অদুদগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদু ইঙাও ঙাওনা মশিং লেপ্পবা হোৎনরকই।

পুং অহুম চুপ্পা কেম্প অদুদা সাকিনাবু কৌদুনা কোয়চৎ চৎলম্মী। অদুবু নহা ওইরিবী মাগী অমত্তা পোকচবী সকিনাবুদি থিবা ফঙলমদে। মফম খুদিং ইরাং থোক্লম্মী। কনাগুম্বনা মাগী মমা নৎত্রগা মচাবু থিরি কনানা মচানুপী নৎত্রগা মাগী নুপীবু কোয়থি থিরি। সিরাজদিন চোকথবনা অমদি ব্রাখলগী অব্রাবনা থল্লদুনা মচি অমদা ফমথৈ, অদুগা করম্না কদায়দা সকিনাগা মাগা কায়নখিবা নিংশিংনবা হোৎনরকই। অদুবু সকিনাগী মমাগী অশিবা হকচাংগী শক্তম অদুখক্তা উরকই। লম্বীদা মবুক্তু হোগায়দুনা হাৎখিবা শক্তমদো। মসিদগী হেনবা মহাক করিমত্তা খন্থবা ঙন্নমদে।

সাকিনাগী মমা শিরে। সিরাজদিনগী মীৎমাঙমক্তদা মহাক শিখিবনি। শিরমদাইগী অরোইবা শ্বর অমগা লোয়ননা – ঐবু হুন্দোক্লম্লো, সকিনাবু থুনমক মফমসিদগী পুদুনা চৎখ্রো ’ হায়না শিন্নরম্মী অদুগুম্বী সকিনাদো কদায়দা চৎখরে?

সকিনাদু মাগা লোয়নখি। মফমদুদগী মখোয় অনী মখোংনা চেল্লকখিবনি। সকিনাগী চাদরদু মশাদগী তাখি – ঙাইহাক লেপ্তুনা খুন্নবা হোৎনখি অদুবু মচানুপীনা লাওরকখি – ‘তাজহৌরসনু, বাবা’ । অদুবু লেপ্তুনা চাদরদু খুনখি। নিংশিংলুবমক্তদা তোংথোকলিবা মাগী কোটকি ফুরিৎখাওদুদা য়েংলকই অদুদগী ফি–মচেৎ অমা চিংথোরকই – সকিনাগী চাদর। অদুবু সকিনাদি কদায়দা?

চোকথরবা সিরাজদিনগী ব্রাখলনুংদগী চিংথোক্লবা ফনা হোৎনৈ অদুবু পাওখুমদি ফংদে। সকিনাবু রেলব্রে ষ্টেসন তম্না পুরকপা ঙমখিবরা? রেলগারীদা মাগা লোয়ননা কাখৎমিন্নখিবরা? লম্বীদা রেলগারীদু থত্তুনা লুট–পাৎ হাৎন–শুনবগী ইরাং থোক্লকপদা মহাক্না ব্রান্থরিঙৈ মখোয়না মচানুপীবু পুখিবরা?

নুমিৎ তরুক্কি লৈরগা মানা জ্ঞান খর তারকপদদি মাবু তেংবাংবিনবা মীওই খরা থেংনরম্মী। মখোয় নহা নিপান্নি। নোংমৈ অমদি ট্রকগারী অমগা কোন্নবা। সিরাজদিন্না মখোয়বু লিশিংলক আশির্ব্বাদ তৌই। সকিনাগী শকওং শাদা তাকই – ‘কুচু পানবীনি, মশক ফজবীনি, ঐ লৌদবনি – মমা মানবনী। চহী ১৭ লোম শুরবীনি, মমীৎ লাওই, মশম মুই, য়েৎথংবা খজাইদা অচৌবা শমব্রু অমা থুংবনি। মথন্তা পোকচবী ইচানুপীনি। মাবু ফংনবা থিবিয়ু। আল্লাহনা নখোয়বু থৌজানবিসনু।’

মীগী তেংবাংনবা চোংথোরক্লিবা নহারোল শিংদুনা নচানুপীদুনা হিংলম্বা থোক্লবদি নুমিৎ খরনিগী মনুংদা খুৎশিন্নগনি হায়না ব্রাশক্লম্মী।

মখোয় নিপানদু নিংহন্নদনা–খুদোংথিবা মরক্তা অমৃতসর তম্না চৎখি। নুপী–নুপা অঙাং কয়া কন্দুনা খুদোংথিরোইদবা মফমদা পুরকখি। নুমিৎ হৌখরে অদুবু সকিনাবুদি মখোয় থেংনখিদে।

নোংমা – মী কনবগী অদুগুম্বা অমৃতসরগী খোঙচৎ অমদা মখোয়না লম্বী মপান্দা লৈশাবী অমা উরম্মী ট্রক গারীগী মখোল তাবদা চেনখিরম্মী। ট্রক গারীদু খামদুনা মাবু তান্নরম্মী। লৌবুক অমগী মনাক্তা লৈশাবীদু ফারম্মী। য়েৎথংবা খজাইদা অচৌবা শমব্রু থুংবী ফজরবী লৈশাবী অমনি। নুপামচা অমনা মঙোন্দা হায়রকই – ‘কীগনু। নঙবু সকিনা নৎত্রা?’

নুপীমচাদু হৌজিকসু কীবনা তায়ফেৎ তায়রি – ব্রা মচেৎ অমত্তা ঙাংদে। অদুবু থেমদুনা নৌদুনা তৌবদগী খজিক্তং ইংথরকই – সিরাজদিনগী মচানুপীনি হায়জরকই। নহা নিপান্দুনা থেমজিন–খোৎচিন্দুনা পিজ–পিথক তৌদুনা ট্রকতা কাখৎহল্লম্মী ফি অমত্তা ইন্দবদুদা হৈনদবা উরদুনা মখোয়গী মরক্তী নহা অমনা কোট লৌথোক্তুনা পি। অদুবু ফনা হোৎনদুনসু মথবাক্তু থুংনবা কুপশিনবা ঙম্লমদে।

নুমিৎ কয়ানি হৌখরে অদুবু সিরাজদিন সকিনাগী পাউ অমত্তা ফংলমদে। নুমিৎচুপ্পা তোঙান–তোঙানবা কেম্পশিংদা ওফিসশিংদা চৎলম্মী। অদুবু মচানুপীগী মরমদা করিমতা খঙলমদে। অহিংগী শরুক অয়াম্বা মীগী তেংবাংলিবা নহারোলশিংদুনা মাগীদমক হোৎনরিবদু মায় পাকনবা ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমদুনা লেল্লম্মী। সকিনানা হিংলম্বা থোক্লবদি মাগী খোঙ্গুল নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লিদুনা পুরক্কনি হায়রম্বা মখোয়শিংগীদমক।

নোংমা কেম্প ময়াদা সিরাজদিন্না নহারোলশিংদু উরম্মী। চৎকদবগী শেম শাদুনা ট্রকতা ফল্লিবশিংদু। সিরাজনা মখোয় তম্না চেলম্মী অদুগা হংলম্মী – ‘ইচাশা সকিনাগী করি পাউ লৈবগে’?

‘ঐখোয় মাবু য়াম্না থুনা ফংগনি। য়াম্না থুনা।’ মখোয় পুম্বা অমুক্তদা খুম্মকই। অদুগা ট্রক অদু থৌখি।

অমুক্কা হন্না সিরাজদিন্না নহারোলশিংদুগীদমক ঈশ্বরদা খুরুমজরকই। মশাগী অব্রা পোৎলূপ অদু খরদং য়াংবগুম তৌই।

নুমিদাংব্রাইরমদা – সিরাজদিন্না ফল্লিবদুগী মনাক্তা ইরাং লাংনরকই। মী–মরিখকনা করিনোমা থাংদুনা পুরক্লি। মহাক্না কোইহং হংবদগী খঙলকই – মী খরনা লৈশাবী অমা জ্ঞান মাংদুনা রেলগী তালিদা তাদুনা লৈরম্বদগী থেংনরকপনি অদুগা মফমসিদা পুরকপনি। সিরাজদিনদু হৌগৎতুনা মতুং ইন্নৈ। লৈশাবীদু হোস্পিটালগী মীওইশিংদা শিন্নরল্লগা মীশিংদু চৎনখি। হোস্পিটালগী উখোংদা ঙাথদুনা ঙৈহাক্তং লেপল্ললগা সিরাজদিন তপ্পা–তপ্পা মনুংদা চঙলকই। কাদুদা কনাসু লৈতে। হকচাং অমা লৈরিবা ষ্ট্রেচরদু নত্তনা। তপ্পা চংশিল্লি। ইখঙ খঙহৌদনা কাদু খংঙান ঙাল্লকই। তাইফেৎ তাইরবা খজাইদুদা শমব্রুদু ইঙান–ঙান্না উরকপদা লাওরকই – ‘সকিনা। থাউমৈ থাঙ্গৎলকপা ডাক্তরদুনা হংলকই – ‘করিনো?’ – ‘সার ঐ ... সার ঐ ... মাগী মপানি।’ মসিখক্তং সিরাজদিনগী মখনাওদগী থোরকই।

ডাক্তরনা ষ্ট্রেচরদা লৈরিবা হকচাংদুদা য়েংলম্মী। মীহুল থেংনৈ। সিরাজদিনদা হায়রকই – ‘থোংনাও হাংদোকউ। হাংদোকউনে।’

সকিনাগী শিরবা হকচাংদু লেংলকই। থব্রায় য়াওদ্রবা খুৎশাশিংদুনা মখ্বাংদা কিরিবা কিশিদু হাংদোক্লকই অদুদগী সলব্রারদু খ্বাংগী মখাদা শিৎথরকই। অহল ওইরবা সিরাজদিন্না নুঙাইবগা লোয়ননা লাওরকই – ‘হিংলে। ঐগী ইচানুপী হিংলে।’ ডাক্তরদু মশাপুম্বা হুমাংনা পুল্লুপ লূপ্লকই।

(হন্দোকপাঃ কৈশাম প্রিয়োকুমার)

# শৈরেং

## থম্মোয়গী অপাম্বা খরা

*রাকেশ চবুংবম*

নুংশি মৈশানা চাক্লিবা থম্মোয়নি,
মায়কৈ খুদিং মৈচাক্লা থল্লবনি,
নোংজুগী লীক্লবু লাকপা ঙাইরি,
হুনবীরক্লো নুংশিবগী অনৌবা য়েন্নীং ।।

পুন্সি খোঙচৎ ইথন্নতা,
কয়াম কুইনা চৎখিনি,
নুংঙাইবা মচেৎ অমতা,
উবা ফংদনা লৈরিবনি,
অরানবনা থল্লবা তাইবং মপোকসে,
পুংজা খুদিং অরানবা শাগোন্নরি ।।

অহীং তাংলৌ অথেংবদা
পীরাংতনা ঐগীদি মরুপনি
পুন্দ্রিঙৈদা হান্না তৎলবা
পুন্সিগী করম্বা লংদাইনো
মরোল থোক্ত্রবা উপাল ব্রাপালগা
মরুপ শান্নদুনা অব্রা পোথারি ।।

নোংথাং মানা কুপশিন্দুনা
অতিয়া পুম্বা মমখরে
নুংশিবগী মঙাল অমতা
লাকপীদুনা হাংহনবীরো পুমনমকসে
হৌখ্রবা মতমগী পুন্সি ব্রারীশিংদো
নীংশিদুনা ঐনা মোমোন নোকচরি ।।

---

## নীংতম্বা পাম্লুবা ঐসে অহক চৈরাক ফংলেদো

*মৈহৌবম মনিচন্দ্রা সিংহ*

পূন্নমকপু খুদুম চল্লুরগে হায়না
ইনৌ নৌবা মফম অমদা
মীকূপ অমত্তা ইনীং তম্বা ফংখিদে
কদায়দগী নীংতম্বা কদায়দগী ইনীং তম্বা
খুদুম শীংখিবনি অদুনা ঙসিদি কদাই
পূন্নমক অরেম্বা ওইরেদো
ঙসিদি ঐগী পূন্সিসে
ঐ নঙগী চান্না চুন্না তিন্নরম্বা
অরেম্বা ওইরেদো ঙসিদি
অমম্বদগী মঙাল সংসারগী খোঞ্জেল
মীনম্বা ওইরেদো ঙসিদি
ইনীং তম্বা পঞ্জেং ফীরালদো
ইরাং শাগৎলুবা ঐতগী ইরাল ওইরেদো
খুদুম শীংদুনা চোংথোক্লুবা
ইমাগী তম্পাক্তা নীং তম্বগী লানজং
নীতি নিয়ম খঙদবা ঐসে
ব্রারক চেৎপা মপুনা অশিবগী চৈথেং পীরকই
মসি ভার্ব তাহৌদবনা
কুশি রাশি তৌরুবা ঐসে
ফত্তবগী লানগৈ ওইরেদো
নীংতম্বগী ওঝা তান্নহৌদবনা
মৈরিক্তা মৈরাবীশুম শিজরেনে
খনবনা চপ মান্নরেদো
জয় নীংতম্বা জয় নীং তম্বা ।।

---

## “শেলগী গম”

*শ্রী লাইশ্রম দেবেন সিংহ*

সুপর গ্লু–না নপ্পদৈ হেন্ন,
দ্রেন দ্রাইট–না নপ্পদৈ হেন্ন,
অতৈ গম্না নপ্পদৈ হেন্না কনবদি
“শেলগী গম” না নপ্পনা অতৈদগী নপশিনবা হেল্লি
অতৈ পোৎলম্না শাবদি, মতম খরতগীনি
ছুম তাউনা চাখ্রগদি নপলিবা পোৎশিং তোঙান–তোঙাল্লি
চেৎশিনবা ঙমদে, মপাঙ্গল শোন্থে, তশেংবনি।
“শেলগী গম্না” অমুক্তং নপখ্রবা মা অদো,,
নানথোকপৈ ব্রা লৈত্রে, ওন্থোক্লা চেৎখ্রবা।
মী–হাৎপদো, মী–হাৎতবা ওইহল্লি,
ধর্ম্ম–চেন্দ্রবা মা–সু ধর্ম্ম লৈবা ওইহল্লি,
অরানবসু অচুম্বা ওলহল্লি,
মাবু থেংনখ্রবদা অচুম্বা ওলহল্লি, অফবা ওল্লি,
কয়াদা কনখ্রবা মাগী গুণ
থা–দুনা লোইবা নাইবা নত্তে
ইবগী গুণ শোন্থবা লৈতে।
পৃথ্বী লোইশিনবসু মা–নি
শেমগৎ–শাগৎপা মাগী থৌনানি
মা–নবু নপখ্রবদা অমুক্তং শেৎতোক–ফকতোকপা ব্রাই
কয়াদা গুণ চেনখ্রবা শেলগী গুন–গম ।।
হিরম খুদিংদা “শেলগী গম্ন” থেংখ্রবদা
ফকপা শেৎপা ঙমদে কনাসু
অঙকপনি, শক্তিনি “শেলগী গম” ।।

---

# তাবুনুংদগী

*(মীয়ামগী লূচিংবা অমদি কবি হিজম ইরাবতগী শৈরেংগী লাইরিক ‘‘শৈদম শৈরেং’’ দগী ‘‘খোন্থাঙ’’ কৌবা শৈরেং অমা তাবুনুংদগী লৌখৎতুনা হাপচরি)*

## খোন্থাঙ

ঐনা ঈশৈ শক্লগা শক্লিবা,
ঐনা লাউরগসু লাউরিবা,
ফনা মান্নরি ঐগী খোন্দাগসু
কনানো শকউদবা নহাকপু?
থোরকউ লাউ ঐগা ব্রারী শাশি।
থোরকউ লাউ শক মখঙনশি।
নশক্তি উদে হে নোক্লচাউবা!
হৌনদবনি (মীগী) মতৌতম্না নোক্লবা।

হেক ঙাঙলকপদি ঐগী তুংইন্ননা,
খংপেক খঙপেক খংই খঙহৌদনা।
হৌনদবনি মীগী চীন্থক্তা ব্রা ঙাঙবা।
চুমদবনি মীনা খঙনবা তৌবা।
নঙনা ঐবু করিগী ’সুক তাথীরি
য়েক্লবা থমদবনি অফবা মীদি।

**হীজম ইরাবত সিংহ**

---

# মণিপুরী পান্থৈ পাওরৌ পাওতাক

**১৭২ । অচিন–অকোম য়েংনবা**
–অরৈ লৈত তাথোক তাশিন তৌনবা,মতেং পাংনবা।

**১৭৩। অচেনবসু চয়োম অতানবসু চয়োম**
–অনীমক ব্রামিন্নবা।

**১৭৪ । অচেংবা তাঞ্জা য়েংবা (লুম্বা)**
–মীগী অশোনবা অশোয়বা মতম ঙাইবা।

**১৭৫ । অচেৎ–অকোম য়েংবা**
–শরক হোবা তাঞ্জা লুম্বা।

**১৭৬। অচেৎ অকোম খঙদবা**
–অরোনবনি অফোংবনি খঙদবা।

**১৭৭ । অচেংবদা পায়বা**
– তাঞ্জা চাবদা লমন খুম্বা।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

---

# পাইরিব্বা উন্নবা

**লাইরিক্কী মমিংঃ কাওশীং (উপন্যাস)**
**অইবা ঃ ঈ এস সুন্দর**
**ফোঙবাঃ রাজেন খুমুকচমনা রিন্দা পব্লিকেসন্সগীদমক**
**মমল ঃ লুপা ২৫০ /–**

ঈ এস সুন্দর (এলাংবম শ্যামসুন্দর) না ইবা ‘কাওশিং’ হায়বা উপন্যাস অসি লামায় চহুমগা তরামঙা পাল্লি, মমল লুপা চনীয়াঙ্খৈ পীরি। লাইরিক অসি রিন্দা পব্লিকেসন্স, ইম্ফালনা জেসি ওফসেট প্রিন্টিং ব্রাক্স, পাউনা বাজার, ইম্ফালদা কপি মশিং লীশিং অমখক নল্লগা অহানবা ওইনা খৃষ্টকী কুম ২০১৬ কী আগষ্টকী তাং ৩০ দা ফোঙখিবনি। উপন্যাসকার অসি মণিপুরী সাহিত্যাদা থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওইরক্লিবা অইবা অমনি। মহাক্কী খুৎইদা থোইদোক্লা পন্নিংঙাই ওইরিবদি কনফিক্ট সেচুত্রেসন অমদা হিংলিবা মণিপুরগী মীয়ামগী খুদোংথীন্নিংঙাই মরক্তা হিংলিবা পুন্সি মরেল অমা উৎপা ঙম্বসিনি। অমুকসু মণিপুরগী মপান্দা চাইথোক্তুনা লৈখ্রবা মণিপুরীশিংগী পুন্সি মহীং অমদি মখোয়না মরৈবাক মরমদমদা লৈজবা শ্রাধ অদুবু অইবনা মরীক চুম্না য়েকপা ঙমই। ব্রারী অসিগী প্রোটগ্রোনিষ্ট অসি গঙ্গা (লৈয়োন) কৌই। গঙ্গা বাংলাদেশকী মনুংচনবা ভান্দারিগাউ, মণিপুরীশিংনদি মাধবপুর হায়বসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা মণিপুরী ইমুং অমদা পোকপীনি। মণিপুরীশিংনা নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতমদা য়ুমথংনবা লৈবাকশিংগা চারৌ মৌরৌনবগী থৌদোকশিংদগী খৃষ্টকী কুম ১৭৬২ দগী বাংলাদেশতা মৈতৈশিংনা খুন্দা লৈতাবা হৌখিবগী মতাংদা অইবনা পল্লি। মসিগী মতুংদা খৃষ্টকী কুম ১৮১৯ দগী ১৮২৫ ফাওবদা থোকখিবা চহী তরেৎ খুন্তাকপগী মতমদা মরিপুরী কয়া মরুম লৈবাকসি থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নবদা মণিপুরগী মপান্দা আসাম ,ত্রিপুরা, অমদি বাংলাদেশনচিংবদা খুন্দা–লৈতাখি। অদুগা বর্ম্মিজনা মণিপুরী কয়াবু লানফা ওইনা পুখিবদগী মন্দলেদা খুন্দা লৈতাখিবগী ব্রাফমসু ফোঙদোকই। মণিপুরগী ব্রাংমদা খুন্দা–লৈতাদুনা চঙজফম লৌদুনা লৈখ্রবা মণিপুরী দাইসপোরাশিংগী সামজ, চৎনরোল হিংবগী ফিভম্নচিংবা কয়াসু মহাক্কী উপন্যাসসিদা নৈনরি।

উপন্যাস অসিগী শল্লপ্পা ব্রারীদি বাংলাদেশতা পোকপী মণিপুরী নিঙোল গঙ্গা (লৈয়োন) কৌবী অমগী পুন্সিদা থেংনরকখিবা থৌদোক ব্রাথোকশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা শাগৎপনি। গঙ্গা বাংলাদেশকী ডান্দারিগাউ মৈতৈশিংনা মাধবপুর হায়নসু কৌবা খুঙ্গংসিদা পোকপীনি। মহাক্না মথোং কারকপা মতমদা মণিপুরদগী লাকপা মৈতৈ মচা মালেমঙানবা (মংলেম্বা) গা অহানবা ওইনা মহাক্কী মমান্নবী রাধিকাগা ময়ুমদা চৎলুবা অমদা থেংনরুই। মালেমঙানবনা গঙ্গাবু অহানবা থেংনবা মতমদা মপুক্লিংদা অপাম –নুংশি পোকখি। মতুংদা মহাক্কী মপুক্লিংদা লৈরিবা ব্রাফমদু গঙ্গাদা ফোঙদোক্লুবা মতমদা গঙ্গানসু ‘মায়’ হায়বা ঙমখিদে। অসুম্না মতম খরা নুংশিনরবা মতুংদা মখোয় অনী ইলোপ তৌখি। বাংলাগী মণিপুরী সমাজদা লুহোংলবা মতুংদা লুহোংবা চৎনদবনা কন্যা কৎলগা লোয়শিনখি। মতম খরা হরাও তয়াম্না লৈমিন্নরবা মতুংদা তঙাইফদনা চত্তবা য়াদবা মরম অমগীনি হায়দুনা মালেমঙানবা মণিপুরদা চৎখিবনি। অদুবু থা মরী হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবা মালেমঙানবনা বাংলাদেশতা লাক্তবতা নত্তনা ঈ–পাউ ফাওবা নীংথিজনা ফাওনবা ঙমদ্রি। তাঞ্জাসিদা য়াইফবী কৌবী লৈশাবী অমা লাক্লগা মহাকপু মালেমঙানবা মহাকপু লৌরুনবা থারকপনি হায়না শক–তাক্লে। মতাংসিদতা গঙ্গানা মহাক্কী মপুরোইবসি আইননা য়াদবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসন অমগী মীওইনি হায়বা খঙলকখি। অফোংবা মওংদা চৎপা য়াদবনা গঙ্গা য়াইফবীগী মতুংইন্দুনা অরোনবা মওংদা বাংলাদেশকী বোর্দর লান্দুনা মণিপুরদা লাক্লগা মপুরোইবগী ময়ুম মোরে তাওন্দা থুংলে। মতম খরগী মতুংদা মপুরোইবনা পাউ পীরকপদগী মোরেগী বোর্দর লান্দুনা লাম্ফালোংদা মপুরোইবগা লৈমিন্নখি। মথংগী অয়ুক্তা মপুরোইবা শজিক তম্পাক্তা চৎখি, মফমদুদা ভারতকী লাম্নীগা লাম্ছেংনবদা মালেমঙানবা শিখি। মসিগী ইন্দিয়ান আর্মি কেপ্তেন পি কে থেংনদুনা অনৌবা তর্নিং পোইন্ট অমমুক উপন্যাসসিদা শাগৎনবা হোৎনরি। উপন্যাস অসি থোইদোক্লা শীংথানিংঙাইনি।

**আর জে মীতৈ**

---

# চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ

***সেপ্টেম্বর ৭, ২০১৬, য়ুমশকৈশ***

*মণিপুর সাহিত্য সমিতি থৌবাল অমসুং কবি লৈতাম্ছেম রাম সিংহ মেমোরিয়েল ট্রষ্ট অনীনা খুৎশম্নদুনা কবি লৈতাম্ছেম রাম সিংহগী ৯৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরম থৌবাল ক্ষেত্রি শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।*

*থৌরম অসিদা থৌবাল কলেজগী হান্নগী প্রিন্সিপাল নাওরেম গন্ধার সিংহনা অথোইবা লেঙবিরকপা, ট্রষ্টকী প্রসিডেন্ট ডা. রাজকুমার য়াইস্কুল সিংহনা থৌরম মপু অমদি হান্নগী প্রসিডেন্ট, মণিপুর সাহিত্য সমিতি থৌবাল, মোইরাংথেম রাজেন্দ্রা সিংহনা অখন্নবা লেঙবিরকপা ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা লেঙবিরকখিবশিংনা কবি রাম সিংহ গী মিতমদা লৈ–শু কৎতুনা ইকাইখুম্নবা উৎখি। লোয়ননা ডা. সরতচন্দ্র লোঙ–জোম্বনা কবি রাম সিংহগী পুন্সি অমসুং সাহিত্য হায়বা হীরমসিদা ব্রা ঙাঙখি।*

*মথংদা মণিপুর সাহিত্য সমিতি থৌবালগী প্রসিডেন্ট ডা. থৌনাওজম খোমদোন সিংহনা ময়াই ফমদুনা শৈরেং শৈদিন্নবা অমসু পাঙথোকখি। শৈদিন্নবা অদুদা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা অইবা অইবী ২৫ না মশা মশানা ইজবা শৈরেংশিং পাথোক্লদুনা শৈদিন্নবদা শরুক য়াখি।*

***সেপ্টেম্বর ৯, ২০১৬, ইরাই***

*এ সিঐচ এ, মোইরাংখোম্না শীন্দুনা জোন গোস্পেল ঈশৈ লাইরিক্তগী এস মঙলেম, বিক্তোরিয়া অমসুং টি জয়চন্দ্র মখোয় অহুম্না হন্দোক্লগা কেএসঐচ বুবুশ্রীনা ট্রান্সক্রাইব তৌবা ব্রাহৈনা শায়োল্লকপা হায়না মিংথোন্দুনা মৈতৈ ময়েক্তা ইবা লাইরিক অমা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা হৌনবী মতুং ইন্না মীয়ামদা ফোঙদোকখি।*

*লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা চিংশুবম ব্রাঙম্বী লৈমা প্রসিডেন্ট, মৈতৈ নেস্লেল ফ্রন্টনা অথোইবা লেঙবিরকপী অমদি শৌগাইজম লৈঙাকলেম্বীনা থৌরম মপু লোয়ননা রেবরেল সাতখোথাং সিংসোন, চিয়ারমেন, মণিপুর মিসন বোর্ড, ই সি এ না অখন্নবা লেঙবিরকপা ওইখি।*

***সেপ্টেম্বর ১০, ২০১৬, থাংজ***

*রাইটরস ক্লব মণিপুর, নম্বোল, নম্বোল খোরি লৈকাইনা শীন্দুনা লূপ অসিগী ২২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপা, ৪ শুবা তোইজম বিহারী নীংশিং সাহিত্য মনা ২০১৬ লাম্ছোকপা, ডা. কেঐচ শামুঙৌ সিংহবু ফেলিসিটেসন পীবা অমদি লূপ অসিনা চহীদা পুথোকপা ব্রাকোল চেফোঙ ফোঙদোকপগা লোয়ননা টিঐচ নবকিশ্বর না ইবা ‘‘ডাক্তর য়ায়মগী লায়েং’’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমগা ডা. কেঐচ শামুঙৌনা ইবা ‘‘ব্রারীনি উচেকশিংগী’’, ডা. ও চাউবা মৈতৈনা ইবা ‘‘হো লাই নঙবু তাইবংনা ব্রারৌই’’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অহুম অমগসু হৌনবী মতুংইন্না মীয়ামদা ফোঙদোকখি।*

*থৌরম অসিদা শ্রীশগোলসেম ইন্দ্রকুমার সিংহ, রিটয়ার ষ্টেসন ডাইরেক্টর এ আই আর দিব্রুগরহ, শ্রীশরতচন্দ্র নোংথোম্বা, প্রসিডেন্ট, রাইটর ক্লব মণিপুর, নম্বোল, শ্রীযুগেশ্বর সিংহ, প্রিন্সিপাল, রোয়েল একাদেমী ওফ লো, ওইনাম না মথংশিংনা অথোইবা লেঙবিরকপা থৌরম মপু অমদি অখন্নবা লেঙবিরকপা ওইনা শরুক য়াখি।*

*থৌরম অসিগী মপুং ওইবা ৪ শুবা তোইজম বিহারী নীংশিং সাহিত্যগী মনা ২০১৬, ‘‘শক্তাকপা’’ হায়না মিংথোনবা নোভেল লাইরিক অসি ইবগীদমক মুহেন চোংথামদা ইকাইখুম্নবা উৎতুনা মনা অসি খুৎশিন্নখি।*

**রাজেন খুমুকচম**